

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, NOVEMBER 13, 2018 **PAGE 7**




*এটিপি ৱার্ল্ড ফাইনেলসকী কুর্টেনগী গ্রুপতা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরম্বা জপানগী কৈ নিসিকোরি*

*ৱার্ল্ড চেছ চেম্পিয়ন্সিপকী ৩শুবা রাউন্দদা রুশিয়াগী আলেকজান্দ্রা কেষ্টেনিয়ুককী মখুত্তা মায়থিহৌবদগী লৈহৌরবী ইন্দিয়াগী চেছ শান্নরোই হরিকা*

## মিথালি রাজগী হাল্ফ সেঞ্চুরিগী মতেংনা আইসিসি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড টি–২০ গী অহুমশুবা মেটচতা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানবু ৱিকেট ৭ তা থোইখ্রে

ICC WOMEN'S WORLD T20 WEST INDIES 2018



*পাকিষ্টানগী মায়োক্তা হাল্ফ সেঞ্চুরি লৌদুনা মায় পাকপদা মতেং পাঙখিবা ইন্দিয়াগী বেটসৱুমেন মিথালি রাজ*

*গুয়ানা, নবেম্বর ১২ঃ*

ৱেষ্ট ইন্দিজনা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা আইসিসি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড টি–২০গী অহুমশুবা মেটচতা বেটসৱুমেন মিথালি রাজগী হাল্ফ সেঞ্চুরিগী মতেংনা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টাননা ঙরাং অথেংবদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী সিটি গুয়ানাদা লৈবা প্রোভিদেন্স ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহুমশুবা মেটচ অসিগী টোচ ইন্দিয়ানা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি।

পাকিষ্টাননা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস তৌরকপদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৭ তুরগা শুপ্নগী রন ১৩৩ খক লৌবা ঙমখি। টিম অসিগী ওপনর আয়েসা জাফর শুপ্নগী রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা অহানবা ওভরদা ইন্দিয়াগী বোল্লর অরুন্ধাতি রেদ্দিনা আওট তাহনখি।

অহুমশুবা বেটসৱুমেন ওমাইনা সোহেলসু শুপ্নগী রন ৩ খক লৌরমখি। পাকিষ্টানগী অতোপ্পা ওপনর জাভেরিয়া খান অমসুং ৪শুবা বেটসৱুমেন বিসমা মারুফনা মখোয়গী ইন্নিংস অদু মখা তানা শেমগৎনবা হোৎনরকখি।

ওপনর জাভেরিয়া খান বোল ১৫ মায়োক্লবদা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ১৭ লৌরম্লগা আওট ওইখিবদগী পাকিষ্টানগী অপুনবা স্কোর ৩০ শুরকপদা ৱিকেট ৩ তুখি।

বিসমা মারুফনা ৫শুবা বেটসৱুমেন ওইনা চঙলকখিবী নিদা দারনা পাকিষ্টানগী স্কোর অদু রন ১০০ লান্থোকহনবা ঙমখি। বিসমা মারুফ বোল ৪৯ মায়োক্লবদা ফোর ৪ য়ৈরম্লগা রন ৫৩ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

৫শুবা বেটসৱুমেন ওইনা চঙলকখিবী নিদা দারনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ৩৫ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৫২ লৌরমখি।

মখা তানা চঙলকখিবী পাকিষ্টানগী বেটসৱুমেনশিং রন ৫ য়ৌনা লৌবা ঙমখিদবদগী টিম অসিগী ইন্নিংস ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৩৩ লৌখি।

ইন্দিয়ানা মায় পাক্নবগী রন ১৩৪ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ১৯শুবা ওভরদা ৱিকেট ৩ খক আওট ওইরগা লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ৱিকেট ৭ তা মায় পাকখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস হৌরকপদা ফিভম ফজরকখি। ওপনর মিথালি রাজনা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ৪৭ মায়োক্লবদা ফোর ৭ য়ৈরগা রন ৫৬ লৌরমখি।

অতোপ্পা ওপনর স্মিৃতি মন্ধনাসু ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদুদা রন ২৬ হাপচিনখি। মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা ফোর ৪ য়ৈরমখি।

৩শুবা বেটসৱুমেন জেমিমা রোদ্রিগেজসু রন ১৬ লৌরমখি। কেপ্টেন হর্মনপ্রিত কোর অমসুং ভেদা কৃষ্ণমুথিনা আওট ওইদনা মথংশিংনা রন ১৪ অমসুং ৮ লৌরম্লগা মেটচ অদু মায় পাকপা ঙমখিবনি।

## সুনিল ছেত্রি জোর্দানগা শান্নবদা য়াওরোইদৌরি

*বেঙ্গালুরু, নবেম্বর ১২ঃ*

ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রি শোকপনা মরম ওইরগা জোর্দানগা সিটি অম্মানদা থা অসিগী ১৭ তা শান্নগদৌরিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অসিদা য়াওরোইদৌরি।

মশাগী চহী ৩৫ শুরবা সুনিল ছেত্রি ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব বেঙ্গালুরু এফসিগীসু কেপ্টেন ওইদুনা চথরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগ অসিদা শরুক য়ারি। ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙ চয়োলদা টিম অসিনা কেরলা ব্লাষ্টর্সকা শান্নখিবা মেটচতা সনেদস জিনঘমগা য়ৈশিন্নবদগী সুনিল ছেত্রি শোকখিবনি। অদুবু মহাক্না মেটচ অদু লোইবা ফাওবা শান্নদুনা ২–১ দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

ছেত্রি শোক্লে হায়বা চিঠি অমা ফংলে, মহাকপু মেডিকেল এক্সপার্ট টিম অমনা কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুং টিম অসিগী কোচনা চপ চাবা ৱারেপ অদু লৌরক্কদবনি হায়না এআইএফএফকী জেনরেল সেক্রেটরী কুসল দাসনা ফোঙদোরকখি।

## হোক্কি ৱার্ল্ড কপ ২০১৮ দা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইবগী খুদোংচাবা চাওনা লৌহৌগদবনি ঃ সরদার সিংহ



*ইন্দিয়াগী হোক্কি টিমগী হান্না কেপ্টেন ওইরম্বা সরদার সিংহ*

*ভুবনেশ্বর, নবেম্বর ১২ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা থা অসিগী ২৮ দগী শান্নবা হৌগদৌরিবা মেন্স হোক্কি ৱার্ল্ড কপ অসিদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা পাঙ্গলদি য়ুম্বু ওইবগী খুদোংচাবনি হায়না মমাঙদা ইন্দিয়ান হোক্কি টিমগী কেপ্টেন ওইরম্বা সরদার সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

ঐখোয়গী খ্বাইদগী চাওবা পাঙ্গলদি য়ুম্বু ওইদুনা শান্নবনি, ঐনা খল্লি মফম অসিদা শান্নবনা খ্বাইদগী নুংঙাইগনি হায়না হোক্কি মশান্নদা য়াম্না এক্সপরিয়েন্স লৈরবা সরদার সিংহনা পাউগী চেনেল অমগা উন্নবদা ফোঙদোকখি।

ৱার্ল্ড কপ শান্নগদৌরিবা ভুবনেশ্বরদা লৈরিবা কলিঙ্গ ষ্টেদিয়ম অসি ভাবকশিংনা শান্নরিবা এক্সনশিং অদু য়াম্না নক্না য়েংবগী খুদোংচাবা লৈরি। মসিনা মরম ওইরগা ভাবকশিংনা শান্নরোইশিংদা পীরকপা থৌনা অদু মতম চানা য়ৌরক্কনি।

হোক্কি ৱার্ল্ড কপ অসিদা পুল ৪ লৈরি। পুল অমমমদা টিম ৪। ৪ না লম্বা তৌনরগা খ্বাইদগী মকোক থোংবা টিম অদুনা ক্বার্টর ফাইনেল শান্নবা ফংগদৌরি। অদুগা পুল খূদিংমক্কী অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তাহৌবা টিমশিংনা ক্রোস ওভর শান্নরগা খ্বাইদগী মকোক থোংবা টিম ৪ সু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরক্কনি।

ইন্দিয়ানা পুল 'সি' দা বেলজিয়ম, কানাদা অমসুং সাউথ অফ্রিকাগা লম্বা তৌনগনি। ইন্দিয়াগী অহানবা মেটচ থা অসিগী ২৮ দা সাউথ অফ্রিকাগা শান্নগনি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কি টিম অসি হন্দক্তা ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা এসিয়ান গেমসকী সেমি ফাইনেলদা মালেসিয়াগী মখূত্তা মায়থিহৌখি। মসিদগী টিম অসিনা পারা অমা তমহৌগদবনি হায়না সরদার সিংহনা মখা তাখি।

## সিনিয়াকোভা মায় পাকখিবদগী জেক রিপব্লিকনা য়ুএসএবু মায়থিবা পীদুনা চহী ৮গী মনুংদা ৬রকশুবা ফেদ কপ টাইটল লৌখ্রে



*প্রাগ, নবেম্বর ১২ঃ*

জেক রিপব্লিকনা য়ুম্বু ওইরগা থা অসিগী ৬তগী চথরকপা ফেদ কপ ৱার্ল্ড গ্রুপ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অরোইবা মেটচতা জেক রিপব্লিক্কী কেটারিনা সিনিয়াকোভা মায় পাকখিবদগী য়ুএসএবু ৩–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা চহী ৮ গী মনুংদা ৬রকশুবা টাইটল লৌখ্রে।

ফেদ কপ ৱার্ল্ড গ্রুপ অসিদা মালেমগী টেন্নিস শান্নবা মকোক থোংবা লৈবাক ৮ না লম্বা তৌনখিবনি। শরুক য়াখিবা লৈবাকশিং অদুদি জেক রিপব্লিক, জর্মনি, বেলারস, বেলজিয়ম, নেদরলেন্দস, য়ুএসএ, স্বিটজরলেন্দ অমসুং ফ্রান্সনি।

জেক রিপব্লিকনা ফেদ কপ ৱার্ল্ড গ্রুপ অসিগী সেমি ফাইনেলদা জর্মনিবু মেটচ ৪–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকপনি। অমরোমদা য়ুএসএনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা ফ্রান্সপু ৩–২ দা থোইরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লকখিবনি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা অহাবা রবরদা জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা য়ুএসএগী সোফিয়া কেনিনবু অহানবা রবরদা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং সেট ২–১ দা থোইরমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট য়ুএসএগী সোফিয়ানা জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাবু টাই ব্রেক্তা ৭–৬(৭–৫) দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা সেট অদুদা জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজনা শান্নরকপদগী ৬–১, ৬–৪ দা য়ুএসকী সোফিয়াবু থোইদুনা মেটচ ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

ফেদ কপ ৱার্ল্ড গ্রুপ অসিগী অনীশুবা রবরদা জেক রিপব্লিক্কী কেটারিনা সিনিয়াকোভানা য়ুএসএগী এলিসন রিস্কেবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৭–৬ তা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু মেটচ ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অহুমশুবা রবরদা জেক রিপব্লিক্কী কেটারিনা সিনিয়াকোভা অমসুং য়ুএসএগী সোফিয়া কেনিন শান্নখি। মদুদা শান্নরোই অনীমক অকনবা লম্বা মায়োক্লরকখি।

মেটচ অসিগী অহানবা সেট জেক রিপব্লিক্কী সিনিয়াকোভানা য়ুএসকী সোফিয়াবু ৭–৫ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতা য়ুএসএগী সোফিয়া কেনিনা অকনবা লম্বা পীরক্তুনা শান্নরকপদগী ৭–৫ দা মহাক্না সেট অদু থোইদুনা অহুমশুবা রবর অদু সেট অমমম মান্নখি।

দিসাইদিং সেটতসু শান্নরোই অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী গেম ৫–৫ থোইনদুনা লৈখি। মখা তানা শান্নরকপদা জেক রিপব্লিক্কী সিনিয়াকোভানা থংনবা গেম অদু লৌবা হানখিবদগী ৭–৫ দা থোইদুনা অহুমশুবা রবর অদুবু মায় পাকখিবদগী ফাইনেল মেটচ অদু জেক রিপব্লিকনা য়ুএসএবু মেটচ ৩–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা চহী ৮ গী মনুংদা ফেদ কপ ৱার্ল্ড গ্রুপকী ৬রকশুবা টাইটল লৌবা ঙমখি।

## পি ভি সিন্ধুনা হোং কোং ওপন বেদমিন্টনগী টাইটল লৌনবগী মীৎয়েং থল্লি



*কোলুন (হোং কোং), নবেম্বর ১২ঃ*

হোং কোংগী কোলুনদা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা য়ুএস দোল্লর ৪০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা হোং কোং ওপন বেদমিন্টনদা ইন্দিয়াগী নুপী সিঙ্গলস শান্নরোই পি ভি সিন্ধুনা টাইটলগীদমক মীৎয়েং থল্লি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী নুপী সট্টলর পি ভি সিন্ধু টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী ইদিসনদা অনীশুবা পোজিসন তাহৌবনি।

হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা অহুমশুবা সিদেদ ওইরি। মহাক্না অহানবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী নিচাওন জিন্দাপোলগা থেংনরগনি।

কম্মনৱেল্‌থতা গোল্ড মেডেল ফংবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপী শান্নরোই সাইনা নেহৱালনা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা হোং কোং বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী জপানগী অকানে য়ামাগুচিগা শান্নরগনি।

নুপাগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী কিদম্বী শ্রিকান্থনা ৪শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়াদুনা অহানবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক হোং কোংগী ভিনসেন্ট ৱোং ৱিংকিগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোইশিং অদুদি ঐচ এস প্রনোই, বি সাই প্রনিথ অমসুং সমির বর্মনি।

নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী মনু অত্রি অমসুং বি সুমিত রেদ্দিনা অহানবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী পেয়র বোদিন ইসারা অমসুং মানিপোং জোংজিটকা থেংনরগনি।

হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী আস্বিনি পোনাপ্পা অমসুং এন সিক্কি রেদ্দিনা অহানবা রাউন্দদা ২শুবা সিদেদ পেয়র জপানগী মিসাকি মাটসুটোমো অমসুং আয়াকা টাকাহসিগা শান্নগনি।

## ফ্রান্সকী লীগে ৱানদা ইদিসন কভানিগী হেটট্রিকনা পিএসজিনা মোনাকোবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে, স্পেনগী লা লীগাদা রিয়েল মাদ্রিদনা সেল্টা ভিগোবু ৪–২ দা থোইখ্রে



*পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মায়কৈদগী হেটট্রিক চনখিবা ইদিসন কভানি (ওইদগী ২শুবা) না বোল পুনবা হোৎনবা*

*পেরিস। মাদ্রিদ, নবেম্বর ১২ঃ*

ফ্রান্সতা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগে ৱানদা পেরিস সেন্ট জর্মেননা ষ্ট্রাইকর ইদিসন কভানিনা চনখিবা হেটট্রিকনা মোনাকোবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে, স্পেনগী লা লীগা ফুটবোলদা রিয়েল মাদ্রিদনা সেল্টা ভিগোবু পাঞ্জল ৪–২ দা থোইখ্রে।

পেরিস সেন্ট জর্মেন অমসুং মোনাকোনা শান্নখিবা মেটচ অদু হেক হৌবদগী পিএসজিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি।

শান্নবগী ৪শুবা মিনটতা পিএসজিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ইদিসন কভানিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাখি। ১১শুবা মিনটতা পিএসজিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ইদিসন কভানিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মোনাকোবু ২–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৩শুবা মিনটতা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ইদিসন কভানিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা হেটট্রিক ওইবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপদা মেটচকী ৬৪শুবা মিনটতা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোইশিংনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা ব্রাজিল মচা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেটচ অদু ৪–০ দা মোনাকোবু মায়থিবা পীখি।

স্পেনগী লা লীগগী রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং সেল্টা ভিগোনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ২৩শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোই করিম বেঞ্জেমানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৬শুবা মিনটতা সেল্টা ভিগোগী শান্নরোই গুষ্টাভো কাব্রালনা শোয়বদগী চনশিনখিবা পাঞ্জলনা রিয়েল মাদ্রিদনা ২–০ দা হেন্দুনা চৎখি।

৬১শুবা মিনটতা সেল্টা ভিগোগী শান্নরোই হুগো মাল্লোনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি। শান্নবগী ৮৩শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা সর্জিও রামোসনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

শান্নবগী ইনজুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী দানি সেবাল্লোসনা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং ইনজুরি টাইম অদুগী ৫শুবা মিনটতা সেল্টা ভিগোগী শান্নরোই ৱ্রাইস মেন্দেজনা পাঞ্জল অমা হন্দোক্লগা মেটচ অদু রিয়েল মাদ্রিদনা সেল্টা ভিগোবু ৪–২ দা মায়থিবা পীরমখি।

লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা ভিলারিয়েল অমসুং রায়ো ভালেকানো পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখি।

ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এগী লীগ মেটচ অমদা জুবেন্টসনা মিলানবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। শান্নবগী ৮শুবা মিনটতা জুবেন্টসকী শান্নরোই মারিও মেন্দজুকিকনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং ৮৩শুবা মিনটতা পোর্টুগাল মচা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না পাঞ্জল ২–০ দা মিলানবু থোইখি।

## ২০২০ এসিয়ান ফুটবোল কনফেদরেসন ওলিম্পিক ক্বালিফয়রগী অরোইবা মেটচতা ঙসি ইন্দিয়াগা ম্যান্মারগা শান্নরগনি

*য়াঙ্গোন, নবেম্বর ১২ঃ*

ম্যান্মারনা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা এসিয়ান ফুটবোল কনফেদরেসন (এএফসি) ওলিম্পিক ক্বালিফায়রগী অরোইবা মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম্না ম্যান্মারগা শান্নরগনি।

পনবা য়াই চথরিবা ওলিম্পিক ক্বালিফায়র অসিগী অহৌবা মেটচতা ইন্দিয়ানা নেপালগা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি। অদুগা ঙরাং শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা ইন্দিয়ানা বাংলাদেশপু পাঞ্জল ৭–১ দা য়াম্না চাওবা মায়থিবা পীবা ঙমখিবনি।

হয়েং ইন্দিয়াগা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিদা লম্বা তৌগদৌরিবা ম্যান্মারনা মখোয়গী অহানবা মেটচতা বাংলাদেশপু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লবা মতুং অনীশুবা মেটচতা নেপালগা শান্নবদা পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি।

ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মার চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা পোইন্ট ৪। ৪ ফংনদুনা লৈরবসু গোল্ড দিফরেন্সতা ইন্দিয়ানা হেন্দুনা মাঙজিল থারি।

ফিফা রেঙ্কিংদা ইন্দিয়া ম্যান্মারদগী শোত্থরি। ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম অসিনা ঙরাং বাংলাদেশকা শান্নখিবা অনীশুবা মেটচ অদুদা পীখিবা ফজবা পার্ফোমেন্স অদু মখা তানা চত্থবা ঙম্লবদি হয়েং ম্যান্মারগা শান্নগদৌরিবা অরোইবা মেটচ অসি শোয়দনা মায় পাকপা ঙমগনি হায়নসু টিম অসিগী কোচ মেমোল রোক্কিনা ফোঙদোকখ্রে।

## এটিপি ফাইনেলসতা জপানগী নিসিকোরি অমসুং জর্মনিগী জ্বেরেভ মায় পাকখ্রে

*লন্দন, নবেম্বর ১২ঃ*

ইংলেন্দগী কোনুং লন্দনদা চথরিবা মালেমগী নুপা টেন্নিস শান্নরোইশিংগী ওইবা টুর্নামেন্ট এটিপি ফাইনেলসতা জপানগী কৈ নিসিকোরি অমসুং ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক মায় পাকখ্রে।

এটিপি ফাইনেল অসিগী লেটোন হেৱিট গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা জপানগী কৈ নিসিকোরিনা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই স্বিটজলেন্দবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরমখি।

অহানবা সেট শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্লরবা মতুং টাই ব্রেক্তা জপানগী কৈ নিসিকোরিনা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররবু ৭–৬(৭–৪) দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা জপানগী নিসিকোরিনা মঙোন্দগী থাক হেন্না ৱাংলিবা স্বিটজরলেন্দগী শান্নরোই রোজর ফেদররগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইবা ঙমদুনা মেটচ অদু মায় পাকখি।

এটিপি ৱার্ল্ড ফাইনেলস অসিগী ঙসি শান্নখিবা গুগা কুর্টেনগী গ্রুপকী মেটচ অমদা অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা ৫শুবা সিদেদ ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিকপু ষ্ট্রেট সেটতা থোইরমখি।

অহানবা সেট টাই ব্রেক্তা জ্বেরেভনা ৭–৬(৭–৫) দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতসু য়াম্না কন্না লম্বা মায়োক্লরবা মতুং জর্মনিগী জ্বেরেভনা ক্রোএসিয়াগী মারিনবু টাই ব্রেক্তা ৭–৬(৭–১) দা থোইরমখি।